**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 28-05-2025)**

**সরকার (এল)ঃ** মনিপুরগী অনৌবা সরকার শেমবগীদমক ঙসি এম.এল.এ. তরানা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নদুনা সরকার শেমবগীদমক এম.এল.এ. ৪৪ শেম শাদুনা লৈরে হায়না তকশিনখ্রে হায়রি।

ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা উন্নদুনা পুং অমরোমদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা এম.এল.এ. থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়-মখোয়না রাজ্যপালগা উন্নরিবা অসি অনৌবা সরকার শেমবা এম.এল.এ. ৪৪ অমত্তা ওইনা য়ান্নরে হায়বদু খঙহল্লুবনি। রাজ্যপালগী মায়কৈদগীসু মনিপুর মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বদা যুম্ফমদা ওইবা থবক তৌগনি হায়না ফোংদোরকখি হায়রি। পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী রাধেশ্যামনা হায়-করম্বা মতমদা সরকার শেমগদগে হায়বদুদি কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা লেপকনি। অদুবু, এম.এল.এশিং সরকার শেমবা শেম শাদুনা লৈরে হায়বা খঙহল্লুবা অসিমক অথুবা মতমদা সরকার শেমবা খোঙথাং অমনি হায়খি।

অমরোমদা, মনিপুর মীয়ামনা রাজ্য সরকার অমা শেম্বা পাম্বী হায়বা ৱাফমদা রাজ্যপালগা উন্নখিবনি হায়না এম.এল.এ. নিশিকান্ত সাপমনা ফোংদোকখি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না সরকার অসি অথুবা মতমদা শেমনবা মরুওইনা খন্ননবা রাজ্যপালগা উন্নবনি। মসিগী মথক্তা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদসু ৱারী শাখি হায়না ফোংদোকখি।

মরক অসিদা, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, ঙসি দিল্লিগীদমক ইন্ফাল থাদোকখ্রে। মহাক বি.জে.পিগী সেন্ট্রেল লুচিংবশিংনা কৌরকপদগী ইন্ফাল থাদোকখিবনি।

ঙসি উন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা রাজ ভবনদগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়-এম.এল.এ তরা অসিনা রাজ্যপালগা হৌজিক রাজ্য অসিদা ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অমদি রাজনিতিগী মতাংদা খন্নখি। মসিগা লোয়ননা কাংলুপ মশেল অমগা অমগা ভাব তামীন্নবগা লোয়ননা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লমদমসিদা শান্তি পুরকবগী মতাংদসু ৱা খন্নখি। এম.এল.এশিং অসিনা রাজ্যপালদা হীরম অসিগা মরী লৈননা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবগা লোয়ননা মনিপুরদা অথুবা মতমদা অনৌবা সরকার অমা শেমনবা হোৎনবীনবসু রাজ্যপালদা তকশিনখি হায়রি।

**পিআইএল (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বস অমদা থাবা মনিপুর হায়বা ৱাহৈ মুখৎলু হায়বা থৌওং অদুগী মরিক চুন্বা রিপোর্ট পীরকবা মনিপুর হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবমদা লৈবা য়াংলেম মঙ্গি অমদি কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদগী থোইদিংজম মনিহারনা থাখিবা পাব্লিক ইন্টরেষ্ট পিটিসন (পি.আই.এল) অমগা মরী লৈননা ঙরাং চথখিবা হিয়ারিংদা চীফ জষ্টিস-জষ্টিস কে. সোমাসেখর অমদি জষ্টিস-এ.বিমোলগী বেঞ্চনা খঙহনখিবনি। কোর্টনা পি.আই.এল. অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পাউখুম পীরক বা কেন্দ্র সরকার, ঙাকশেল মন্ত্রালয়, মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরি অমদি অতোপ্পা রেস্পোন্দেন্টশিংদা খঙহনখ্রে। মথংগী হিয়ারিং জন্ ১০ দা চথরগনি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা থ্বালতাবীদা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংনা মনিপুর থাবা ৱাহৈ মুখৎলু হায়না চথখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চংশিল্লকখিবা খোঙজং ঙসিসু মফম কয়াদা মখা তানা পাক শন্না চথখি।

কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা ময়াই লম্বী কলেজগী মহৈরোইশিংনা থৌদোক

অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চংশিনখি। মদুদা, মনিপুর থুগায়নবা হোৎনগনু, পাল্লিবা লৈঙাক অসি মতিক চাদে হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং থাবা প্লে কাডশিং শিজিন্নখি।

অমরোমদা, কোকোমি ষ্টুদেন্স ফ্রন্টনা চংশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ষ্টে দরদ কলেজ মমাংদা মহৈরোইশিংনা সেক্যুরিতি এদভাইজর য়াওনা সরকারগী মকোক সিভিল অমদি পুলিসকী ওফিসিএলশিং মতিক চাদে হায়বা খোল্লাউ লাউদুনা খোঙজং চংশিনখি। মহৈরোইশিংনা সরকারগী ওফিসিএলশিং অদুগী মীতম মৈ থাদুনা খোঙজং চংশিন্নবা হোৎনখি অদুবু পুলিসনা অথিংবা পীবদগী নাকল অনিগী মরক্তা ঙাইহাক উংখৎনবা থোকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা নোংমৈবুং, ৱাংখৈ অঙোম লৈকাই, সোইবম লৈকাই, ৱাংখৈ খুনৌ, ন্যু চেক্কোন, খুরাই কোন্সম লৈকাই অমদি কোংপালগী মৈরা পায়বীশিংনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দি.সি. ওফিস তমা চংশিল্লকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অথিংবা পীখি। দি.সি. কমপ্লেক্সকী মমাং থংবা শরুক্তা লৈবা লম্বীদা লাকপা মীয়ামবু সেক্যুরিতি ফোর্সনা পোরোম্পাৎ ৱাটর সপ্লাই মপাদা থৎতুনা থমখি।

নোংমৈবুং অমদি সোইবম লৈকাইরোমদগী লাকখিবা মীয়ামবুনা পোরোম্পাৎকী ত্রাফিক আইলেন মপাদা থৎখি। তুংদা, লাক্লিবশিং অদুগী মরক্তগী মীওই খরা দি.সি. কমপ্লেক্সতা চংদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি হায়রি।

**ডে (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি মালেমগী মেন্সত্রুয়েল হাইজিন ডে ২০২৫ পালন তৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মীসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৭তা নুমিৎ অসি পালন তৌখি।

মপুং ওইবা থৌরম কৈশামথোংদা লৈবা অবার্ন আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দি

দরদা পাওথোকখি। চহি অসিগী ওইনা পালন থৌরম অসিগী হীরমদি, ইং ২০৩০ ফাওবদা থাগী খোঙকাপ লাকপা অসি মহৌশাগী পুন্সিগী খোঙচৎকী মনুং চনবা অমনি হায়না খঙহন্নবনি।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনসু নুমিৎ অসি পালন তৌখি। রাস্ত্রিয়া কিশোর স্বাসতিয়া করিয়াকরম (আর.কে.এস.কে) এদোলিসেন্ট হেলথ প্রোগ্রামগী মখাদা চান্দেলদা লৈবা কোইনোনিয়া ত্রেন্নিং স্কুলদা থৌরম অদু পাঙথোকখি। পেরেড ফ্রেন্দলি ৱার্ল্ড হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আর.কে.এস.কে. চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-নোরেননা থাগী খোঙকাপ লাকপদা তরু-তান্ননা থমবগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

তুংদা, শরুক য়াখিবশিং অদুগী বোদি মাস ইন্দেক্স (বি.এম.আই) অমদি হেমোগ্লোবিন টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীখিবগা লোয়ননা সেনিটরি পেদশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** তমেংলোং কলেজগী ইন্টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল (আই.ক্যু.এ.সি) গা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগকা খুৎশমদুনা কলেজগী থাক্তা সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসন অমা ঙসি কলেজ অসিগী মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৫ গী হীরম 'মালেমদা প্লাষ্টিক্কী অমোৎ অকায় লৈহল্লরোইসি' হায়বা অসিদা কম্পিটিসন অদু পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা তমেংলোং কলেজগী প্রিন্সিপাল-ডা: কিনথুই জিনঙাং মরেমমৈনা হায়-প্লাষ্টিকনা পীরিবা অমাংবশিং নীংথিনা খঙদুনা মসিবু শিজিন্নবা হন্থনবা হোৎনবা তঙাইফদে।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-রাজ্য অসিগী জিলাশিং-সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলদা অখাক অরাওগা লোয়ননা

অকনবা নোং চুগনি।

মফমশিং অসিদা পুংদা কিলোমিটর ৪০ দগী ৫০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি। মসিগীদমক ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। অতোপ্পা জিলাশিংদসু নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা হয়েংদগী সিক্কিম, নোংচুপ বেঙ্গোল, বিহার অমসুং উত্তর প্রদেসতা চৎতুনা লুপা কোতি লিশিং ৭০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা সিক্কিমনা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইরকপগী চহি ৫০ শুরকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। মহাকা লুপা কোতি ৭৫০ চংনা শাবা ফমুং ৫০০ লৈবা হোস্পিতাল অমা মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গোলগী আলিপুর দুৱার অমসুং কুস বিহারদা শাগৎলিবা লুপা কোতি লিশিং অমা হেনবগী গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোজেক্টসু উরেপ উয়ুং তমগনি।

**ইরানঃ** ইরানদা চৎখিবা ভারত মচা অহুম থিবা খঙদনা লৈরি হায়না তেহরানদা লৈবা ভারত এম্বেসিদা ইমুং মনুংনা ৱাকৎলকখ্রে।

এম্বেসিগী পাউগী মতুং ইন্না ৱাকৎ অসি হেক লাকপগা ইরানগী ওথোরিতিশিংগা খুৎশমদুনা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎলে। ইমুং মনুংগী মীওইশিংগসু তোইনা পাউ ফাওনদুনা মাঙখিবা ভারত মচাশিং ফংনবা হোৎনরি হায়রি।

**পাকিস্তানঃ** পাকিস্তানগী ঙমখৈদা লৈবা ভারতকী জিলাশিংদা হয়েং সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোক্লগনি। মোগ দ্রিল অদু গুজরাট, রাজস্থান, পঞ্জাব

অমদি জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি। মদুদা, খুদোংথিবা থৌদোক লাকপা মতমদা করমা মায়োকগদগে হায়বদু ওফিসিএলশিংনা উৎতুনা তাক্কনি।

মদুদা, তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা লুপশিং, সরকারগী বিভাগশিং, এন.সি.সিগী কেডেডশিং অমদি এন.এস.এস. ভোলুন্টিয়ারশিংসু শরুক য়াগনি।

**ফোরেনঃ** ভারতকী ফোরেন সেক্রেটরি-বিক্রম মিশ্রিনা ঙসি আমেরিকাগী অন্দর সেক্রেটরি-জেফ্রি কেসলরগা উন্নদুনা ক্রিটিকেল অমসুং ইমরজিং টেকে ালোজিগী মতাংদা তেংবাং পীননবা ৱারী শান্নখ্রে।

লুচিংবা অনিনা ভারত অমদি আমেরিকাগী লল্লোন ইতিক্কী ওইবা হীরমশিংগী মতাংদসু ৱারী শাখি।

**ফূটবোল(এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনবা অনিশুবা প্রিমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসননা ইম্ফাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-অনৌবা ইমাগী মঙালনা নিশাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফূটবোল(এল)ঃ** ৬৪ শুবা সুবোরতো মুখর্জি অন্দর ফিফতিন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ.কে. মণি জনিয়ার হায়স্কুল-ৱাংঙুনা কুম্বী গভরমেন্ট হায়স্কুলবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

গুলাব স্কুল কৈনৌনা লৈমপোকপম হায়স্কুলবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা

পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ট্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-নবা এফ.সি. কুন্বীনা আই.এন.সি.সি. ইথাইবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা জোন এফ.সি অচানফিগৈনা ৱাংঙু শাবল এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স টি-টোইন্তি ট্রোফি-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা অল-অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ফোর্স ক্ষেত্রিগ্রাউনা পি.টি.সি.সি. পাৎশোইবু রন-৫১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অমরোমদা, মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. লুৱাংপোকপা টি-টোইন্তি ট্রোপি ২০২৫ গী ঙসি শান্নগদবা মেটচতা চেম্প ক্রিকেট ক্লব-খাগেমপলিনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্ টু পিচু লম্পাকপু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকপু রন-৫১ দা মায়থিবা পীখ্রে। রুল মৈত্রম অমদি পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা শান্নগদবা মেটচ অমসুং ত্রাউ ক্বাকৈথেল অমদি ব্ল হোগ খুরাই লমলোংনা শান্নগদবা মেটচ নোংনা মরম ওইরগা শান্নখিদ্রে। পোইন্টশিং য়েন্নখ্রে।

**হোকি ঃ** ভারতকী নুপী হোকি টিমনা ফোর নেসন টুর্নামেন্টতা অরজেন্টিনাবু মায়থিবা পীখ্রে। ভারত হৌজিক ফাওবদা মেটচ অহুম শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলদা অহানবা পোজিসনদা লৈরি।

ভারতকী মহুৎ শিনদুনা মনিপুরগী গোল কিপ্পর-খরিবম বিচু দেবী, পুখ্রম্বম সুসিলা অমসুং থৌদাম সুমন দেবী শরুক য়ারি।

**বিসিসিআই ঃ** বি.সি.সি.আইনা মথং থাগী অহুমদা শান্নগদৌরিবা আই.পি.এলগী ফাইনেল লোয়শিনবগী থৌরমবু লৈবাক অসিগী আর্মি ফোর্সেসশিংদা ইকায় খুমবা উৎকনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

লিগ অসিগী প্লে ওফতা পঞ্জাব কিংস, রোয়েল চেল্লেঞ্জর-বেঙ্গলুরু, গুজরাট টাইন্স অমসুং মুম্বাই ইন্দিয়ান শান্নরগনি। হয়েং পঞ্জাব সুপর কিংসকা রোয়েল চেল্লেঞ্জরস বেঙ্গলুরুগা পঞ্জাবতা শান্নগনি।